হুইয়েন লানপাও

“হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নিংঙোল চাক্কৌবা নুমিৎনা লাকপদা ইরমদম অসিগী নিংঙোল ওইবী খূদিংমক্কী মফমদা হুইয়েন লানপাউনা য়াইফ পাউজেল পীজরি”

Vol. 42, Issue No.227 | ইরাই, হিয়াঙ্গৈ নীনি পানবা, | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, November 09, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## HL POLL

Q : Ningol Chakkoubagi khudol pibada hidanna-bagi thouong leiramba adu chahi khara asida hanthare haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Police Cycle Patrol Unit hangdokkhiba asina pamdaba thou-doksing lakshinba ngamgani khanbra?

Yes 25% No 75%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

## অস! লোইরেহে!

চাক্কৌবগী খুদোলবু ফোন ওইনা...!



ননেমবোক্লা লাকচরবদি ৱাটসএপ্তা পাউ পীরক্লবনি...!

## ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং, এম এস টিগী ষ্টাফশিং সী এমনা ওকখ্রে

# ‘অৱা-অনা থিদনা মীয়ামগী থবক তৌবা চঙই’

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা পায়খৎলকপা রিভাইভেল ওফ মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট (এম এস টি) প্রোজেক্টতা অপেনবা পোল্লদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ হাওজিং এন্দ অর্বান এফেয়র্সনা ষ্টেটসিগী ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টতা বেষ্ট সিটি বস সর্ভিস প্রোজেক্টকী কম্মেন্দেবল ইনিসি-এটিব এৱার্দ পীরকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লদুনা ঙসি দিপার্টমেন্ট অসিগী ওফিসলশিং,এম এস টিগী ষ্টাফশিং চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা তরাম্না ওকখ্রে।

মোইরাংখোমদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট (এম এস টি) কমপ্লেক্সতা



পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, লৈঙাক্কী থবক তৌরিবশিংনা অৱা-অনা থিদনা মীয়ামগী থবক তৌগদবনি। মণিপুরগুম্বা অপীকপা ষ্টেট অসিগী ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা নেসনলগী থাক্তা এৱার্দ ফংলকপা হায়বসি ষ্টেট অসিগী ওইনা চাওথোকচনিংঙাইইনি। লৈঙাক অসিগী মখাদা ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসিদা ষ্টেট অসিগী অথাপ্পা মফমদা লৈরিবা মীওইশিংনা হরাও নুংঙাইবা উৎলকপা অসি লৈঙাক্লা অসুক্কী মতিক নুংঙাইবা ফাওই।

ষ্টেট অসিদা লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা মীগী মশীংনা য়াম্না লৈরিবনি। লৈঙাক অসিনা শোত্থরবা মীওই কয়া লৈরি হায়বসি খঙদুনা খূদোংচাবা কয়া য়ৌহন্নবা হোৎনরি। অথাপ্পা মফমশিংদা লৈরিবা মীয়ামগী খন্দুনা ট্রান্সপোর্টকী খূদোংচাবা য়ৌহন্নবা হোৎনবনি। মসিদা অচৌবা থৌদাং ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## গভর্ণর, সী এম য়াওনা নিংঙোল চাক্কৌবগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা মণিপুর মীয়াম মরুওইনা নিংঙোল ওইবীশিংগী মফমদা মণিপুরগী গভর্ণর নজমা হেপ্তুলা, চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন য়াওনা য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি।

মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অমনা হায়, নিংঙোল চাক্কৌবনা মচিন-মৌপ্পাশিংগী মরক্তা নুংশিবগী মরী চেৎশিলহল্লি। মমা-মপা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## অথৌবশিংগী নিংশিং নুমিৎ নবেম্বর ১২ দা পাঙথোক্কনি : প্রিপাক

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ : লৈবাক্কী মাঙখিবা নিংতম্বা হঞ্জিন্নবা লিশাং শীৎনা চত্থরক্লিবা নিংতম য়াওল লাম্হেং অসিগীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংবু নীংশিংদুনা কুমজা ১৯৭৯গী নবেম্বর ১২ দগী রেদ আর্মি প্রিপাকনা লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাকপা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ হন্দকসু লাক্লিবা নবেম্বর ১২ দা লৈবাক মীয়ামগা লোয়নননা পাঙথোক্লগনি হায়না প্রিপাককী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পিপলস রেভল্যুসনরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক)কী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সেক্রেটরি ইন-চার্জ লৈবাকঙাকপা লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ১৯৭৮গী নবেম্বর ১২গী অয়ুক অঙনবদা কামেংগী লৈমরোক্তা লৈবা প্রিপাক্কী ট্রাঞ্জিট কেম্প অমদা সী আর পি এফ অমসুং মণিপুর পুলিসকী অপুনবা ফোর্স অমনা খঙহৌদনা লান্দারক্তুনা কেম্প অদুদা লৈবা প্রিপাক্কী থিরেন অমসুং কবিকান্ত অদুগা পি এল এগী থিরেন পুন্না লৈবাক্কী মমল য়াম্লবা অথৌবা ৩ লৈখিদবা অমদি কুমজা ১৯৮৫গী নবেম্বর ১২ গী নুমিদাং-ৱাইরমদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## ‘ইরমদমগী পোত্থোক শীজিন্নদুনা শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা হোৎনসি’

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): ইরমদমসিদা পুথোকপা ফিরোল য়াওনা পোত্থোক খূদিংমক শীজিন্নদুনা লমদমসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা হোৎনসি হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা ঙসি লম্বোইখোংনাংখোঙদা লৈবা মণিপুর ট্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা পাঙথোকখিবা এপ্পরেল এন্দ গার্মেন্ট দেগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

ওর্গনাইজিং কম্মিটি, মণিপুর ইন্টরনেসনল টেক্সটাইল এক্সপো (মনিটেক্স) ...মখা লামায় ৩ কলম৪

बैंक ऑफ़ बड़ौदा Bank of Baroda

## CLARIFICATION

In the recent past attempts have been made to malign the image of the Bank by way of adverse publicity in respect of isolated incidences of fraud reported to have taken place at two of our branches in Imphal. Bank thought it appropriate to clarify on the matter. This is to inform the general public that Bank has already initiated all necessary steps on emergency basis and has sought cooperation from the Investigating Agency to address the issue to the satisfaction of the affected party.

Sd/- **General Manager**
Bank of Baroda
Kolkata Zone

HL-P/5653/9

## JOB REQUIRED

Applications are invited from the willing M&F candidates for the following post.

**DETAILS OF SERVICE :**

| Sl. | Post | Qualification | Experience | Age | Salary | No. of Post |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Computer Operator | DCA/BCA | 1 yr Above | 25 yrs & Above | Negotiable | 2 (M) |
| 2. | Customer care | Graduate Fluency Eng./ Hindi | 1 yr Above | 25 yrs & Above | Negotiable | 2 (M/F) |
| 3. | Driver | VIII Pass | 2 yrs Above | 25 yrs & Above | 6k + Allw. | 20 (M) |

Last date of form submission :- 12/11/2018

**Imphal Finance Co-op. Thrift & Credit Society Ltd.**
H.O.Loklaobung,B.O.M.G. Avenue,Paona Bazar & Bishnupur Bazar

HL-B/5552/21/10-20/11

**পাউচে পুথোক্লোই :** ঙসি নবেম্বর ০৯, নিংঙোল চাক্কৌবগী প্রেস ছুটি ওইবা মরম্না মথংগী নুমিৎ নবেম্বর ১০ দা পাউচে অসি পুথোকচরোই।

*- মেনেজর*

ORGANIZING COMMITTEE
**MANITEX**
THE MANIPUR INTERNATIONAL TEXTILE EXPO
Directorate of Handlooms & Textiles, Govt. of Manipur

Cordially request the pleasure of your kind presence at

## HANDICRAFTS DAY

10TH NOVEMBER, 2018 | 10:00A.M.; 02:00 P.M | THONGJAO & MANIPUR TRADE & EXPO CENTRE, LAMBOI KHONGNANGKHONG, IMPHAL

**CHIEF GUEST**
**SHRI AJAY TAMTA**
Hon'ble Union Minister of State for Textiles
**PRESIDENT**
**SHRI TH. BISWAJIT SINGH**
Hon'ble Minister (Textiles, C&I), Manipur
**GUESTS OF HONOUR**
**SHRI S. RAJEN SINGH**
Chairman, MHHDC Ltd.
**SHRI S. BIRA SINGH**
Hon'ble MLA, Kumbi A/C
**SHRI J.C. RAMTHANGA, IAS**
Principal Secretary, (Horti. & SC), GoM
**DC (Handicrafts)**
M/o Textiles, Govt. of India
**SHRI P. VAIPHEI, IAS**
Principal Secretary (TC&I), Govt. of Manipur

## PROGRAMME

PRESENTER : PAUL HAOKIP

10:00 a.m. : Laying of Foundation for Modern Terracotta Crafts Project
Union Minister of State for Textiles with Chairman/MHHDC and Chairman, MANIDCO at Thongjao
01:00 p.m. : Talk on Bamboo Based Products ED, EPCH & Officer from DC (Handicrafts)
1:30 p.m. : Arrival of Guests of Honour, President & Chief Guest
02:00 p.m. : Handicrafts and Distribution of State Award
: Slide/Video Show on MANITEX and Handlooms & Textiles
: Cultural Show -
Khamba Thoibi Dance by Care Foundation
: Speech by Guests of Honour
: Speech by President
: Speech by Chief Guest
05:00 p.m. : Cultural & Fashion Week Programme;
MEET THE FILM PERSONALITIES OF MANIPUR
- Romi Meitei - Director • O. Gautam Singh - Director
- Santosh Laishram - Writer & Producer

MANITEX FASHION WEEK 2018
- Fashion Show of Thoubal Designers
- Performance by Linda Thangjam
- Fashion Show of Designers of Tamenglong & Noney
- Fashion Show of Designers of Churachandpur

HL-B/4979/9

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫